# টামিল নাদুগী কুরঙ্গনি চীংদা লম্মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ৯ শিরে, ৩০ কনবা ঙমখ্রে



থেনি, মার্চ ১২ (এজেন্সি): খা থংবা টামিল নাদুগী উমং অমদা লম্মৈ চাকখৎলকপদগী খুদোংথীবা মায়োক্লখিবা ট্রেকর ৩৯ গী মনুংদা মীওই ৯ শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। মহৈরোয়শিংনা নম্বা অতোপ্পা মীওই ৩০ অশোয়-অঙাম য়াওদনা কনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর শিং শীজিন্নদুনা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখি। চেন্নাই ট্রেকিং ক্লবনা শীন্দুনা ইন্টর-নেসনল ৱিমেন্স ডেগা মরী লৈননা শীনখিবা ট্রেকিং প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াখিবা নুপী ২৫ অমসুং অঙাং ৩ য়াওবা টিম অমনা থেনি ডিষ্ট্রিক্টকী কুরঙ্গনি চীংদগী হল্লকপদা লম্মৈ চাকখৎ-লকপদগী খুদোংথীবা মায়োক্লখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাক-শন্না লম্মৈ চাকখৎলকখিবা মরম্না মীওইশিং অদু হল্লকপা ঙমখিদে। মীওই খরদি চীংমায়দগী চেন্থরকপদা শোক্তুনা শিখি হায়রি। থেনি ডিষ্ট্রিক্টকী ওফিসল এস কন্দসামিনা এজেন্সিদা হায়খি, মহৌশানা মীওই কয়াগী ট্রেকিং প্রোগ্রাম পাঙথোকফম ওইদুনা লাকখিবা মফম অমদগী লমফৈ চৎলুবা মরম্না নুপীশিংনা নম্বা টিম অদু খুদোংথীবা মায়োক্লখিবনি।

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ঈ পালানিসামিনা হায়জরকখ্রবা মতুংদা ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক্তা এয়র ফোর্স য়াওহনখি। চেন্নাইদগী মীওই ২৭ লোয়ননা ইরোদ অমদি টিরুপুরদগী মীওইশিং য়াওবা ট্রেকিং টিম অদুনা কুরঙ্গনি চীংদগী হল্লকপদা লম্মৈ চাকখৎলকপদগী মনাক নক্না লৈবা মীওইশিং অমসুং ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎখি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা এন ডি টি ভিদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ট্রেকর ৩৯ গী মনুংদা ৩০ দি অশোয়-অঙাম য়াওদনা কনবা ঙম্লে হায়রি। অদুম ওইনমক অশোক-অপন নংবা মীওই খরা য়াওবদগী চীংখোঙ ফাওবা থাংথরক্লগা কিলোমিটর ৭৫ লাপ্না লৈবা মাদুরাইগী গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না ডিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর পলবি বলদেবনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। ট্রেকরশিংনা পুলিস নৎত্রগা ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টতগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌখিবা লৈতে হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা এন ডি টি ভিদা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট শেমগৎকদৌরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২ (এজেন্সি): চহী অসিগী মনুংদা ফ্রান্স অমসুং ইন্দিয়াগী লূচিংবশিংনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট শেমগৎপগী থবক হৌনবা ৱাফম য়ানখ্রে।

ডিসেম্বর থা য়ৌদ্রিঙৈদা মহারাষ্ট্রগী জিটাপুরদা ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট শাবা হৌনবা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোন অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইলেক্ট্রিসিটি দি ফ্রান্স এস এ অমসুং ন্যুক্লিয়র পাৱর কোর্পোরেসনদা খঙহনখি হায়রি।

লূচিংবা অনীনা পূন্না থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, গিগাৱাট ৯.৬ পুথোক্কদৌরিবা জিটাপুরগী প্রোজেক্ট অসিনা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট ওইরগনি। ইন্দিয়াদা ন্যুক্লিয়র রিয়েক্টরগা মরী লৈনবা লাইবক থীবা থৌদোক থোকপা মতমদা রিয়েক্টর সপ্লাই তৌরক্লিবা কম্পেনি নৎত্রগা ফার্ম অদুদা কমপেন্সেসন পীহন্নবগী লো অমা চৎনবা মরম্না লৈবাক অসিদা মপান লৈবাক্কী কম্পেনিশিংনা ন্যুক্লিয়র রিয়েক্টর সপ্লাই তৌনিংবগী অপাম্বা লৈতে। মদুনা মরম ওইরগা কুমজা ২০৩২ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ন্যুক্লিয়র পাৱরগী কেপাসিটি শরুক মাপন হেনগৎহন্নবা থৌরাং অমা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।

অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট মেক্রোনগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট অমা থম্বা ঙম্লগনি হায়রি। পনবা য়াবদি হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ন্যুক্লিয়র পাৱর কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (এন পি সী আই এল) না ফ্রান্সকী ঈ ডি এফকা মেগাৱাট ১০,০০০ গী জিটাপুর ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট শেমগৎনবা য়ানচে অমা সাইন তৌনবা লৈখ্রবনি।

ন্যুক্লিয়র এনর্জি, ডিফেন্স প্রদক্সন, মেরিটাইম সিক্যুরিটি, স্পেস অমদি এদ্যুকেসনগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা য়ানচে ১৪ সাইন তৌনখি। ইন্দিয়া অমদি ফ্রান্সনা অহানবা ওইনা অমনা অমগী য়ুনিভর্সিটি ডিগ্রী রেকগনাইজ তৌনবগী ৱাফমসু য়ানখি।

# রবি শঙ্কর প্রসাদনা মীরেপচে পীশিনখ্রে

*পটনা, মার্চ ১২ (এজেন্সি): বিহারদা রাজ্য সভা মীখলগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদ অমদি অতোপ্পা মীওই মঙানা ঙসি মীরেপচে পীশিনখ্রে। এপ্রিল ২ দা মতম লোইরগদবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী রবি শঙ্কর প্রসাদনা জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু) কী মীরেপ বাসিস্থ নরায়ন সিংহ অমসুং মহেন্দ্র প্রসাদকা লোয়ননা মীরেপচে পীশিনখি। বসিস্থ নরায়ন সিংহ জে দি-য়ু বিহার য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অমসুং রাজ্য সভাগী সিট্টিং মেম্বরনি।*

*রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) গী মনোজ ঝা অমদি অসফক করিম লোয়ননা কোংগ্রেসকী অখিলেস প্রসাদ সিংহসু মীখল অসিগীদমক মীরেপচে পীশিনখি। মীরেপচে পীশিনখিবা অখিলেস প্রসাদ সিংহ আর জে দিগী মীহুৎ ওইনা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলাইন্স (য়ু পি এ) কী লৈঙাক্তা জুনিয়র মিনিষ্টর ওইরম্মী।*

*মার্চ ২৩ দা বিহারগী ওইনা রাজ্য সভাগী মীখল পাঙথোকপগা লোয়ননা ভোট মশিং থীগনি। জে দি-য়ু অমদি মসিগী মপাং ওইরিবা বি জে পিগী মীরেপশিংনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার অমদি ডেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুসিল কুমার মোদিগা লোয়ননা লাক্তুনা মীরেপচে পীশিনখি।*

*পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাজবা থম্বীদুনা অমুক হন্না রাজ্য সভাগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরকপনি।*

*আর জে দিগী মীরেপ মনোজ ঝা অমদি অসফক করিমনা পার্টি অসিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট রাব্রি দেবী, ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট রাম চন্দ্র পুরবে অমসুং নেসনল ইগজেক্যুটিভ মেম্বর টেজ প্রতাপ যাদবকা লোয়ননা লাক্লগা মীরেপচে পীশিনখি। পার্টিগী নেসনল স্পোক্সমেনসু ওইরিবা মনোজ ঝানা পাউমীশিংদা হায়খি, লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা বি জে পিনা লূচিংবা কাঙলুপ নাইবা পার্টি পূম্নমক মায়থীবা পীবগী মতম ওইরে।*

CAS Medical
An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
CRASH MEDICAL COURSE
for NEET -2018
TEST SERIES & MOCK TESTS
for NEET -2018
Class commencing from 15th March, 2018
1. Supply Printed Authentic Study Materials for each unit.
1. Test will be held on every Tuesday at 9.00 AM to 12.00PM
2. Solve Maximum No. of most probable questions of NEET Exam.
3. Direct Admission & Concecsion for CASIANS
4. CASIAN regular medical students must joint CRASH COURSE & TESTS
For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal
Hostel for BOYS & GIRLS available
HL-B/4524/10-12Mar

# এম পি, এম এল এ চাদা ৩৬ কেস ৩,০৪৫ দা চেন্নরি : সেন্টর

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী এম পি অমসুং এম এল এ ১,৭৬৫ ক্রিমিনেল কেস ৩,০৪৫ মায়োক্লরি হায়না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা সুপ্রীম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে। পার্লিয়ামেন্ট অমদি ষ্টেট এসেমব্লিশিংদা লৈরিবা অপূনবা লোমেকরশিংগী মশিং ৪,৮৯৬ নি। মসিগী মনুংদা মীওই ১,৭৬৫ না ক্রিমিনেল কেস মায়োক্লবা মরম্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থবক তৌরিবা মীওই চাদা ৩৬ তোঙান-তোঙানবা কেস কয়াদা চেন্নরি।

সুপ্রীম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিট অমদা সেন্টরনা ষ্টেটকী ওইবা ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নবা লোমেকরশিংগী মশিং পীখৎখি। কেস খ্বাইদগী য়াম্না মায়োক্লবা ষ্টেট উত্তর প্রদেশনা ওইরি। মীয়ামগী মীহুৎশিং চেন্নবা কেস খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা অতৈ ষ্টেটশিং অদুদি মথং-মনাও নাইনা টামিল নাদু, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং কেরলানি।

মহারাষ্ট্র অমসুং গোৱাগী ওইনদি চপ চাবা রিপোর্ট ফংদ্রিবা মরম্না সুপ্রীম কোর্টতা সেন্টরনা রিপোর্ট পীখৎপদা য়াওখিদে। কুমজা ২০১৪ দা সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমগী মতুং ইন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম পি অমদি এম এল এশিং চেন্নবা কেস পূম্নমক অকক্লবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা স্পেসল কোর্ট শেম্বগী থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনি।

এসোসিএসন ফোর ডেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ ডি আর) কী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ গী লোক সভা মীখল মতুং তারকপদা লোমেকরশিং চেন্নবা কেস ১,৫৮১ পন্দুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা অতেনবা মতমগী মনুংদা ৱায়েল চথবা ঙম্নবা সেন্টরনা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট ১২ লীংখৎনবা থৌরাং লৌখৎখি। অদুবু হৌজিক হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা কেস মশিং ৩,০৪৫ য়ৌরবনিনা সেন্টরনা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট মশিং হেন্না লীংখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি।

অশ্বিনি কুমার উপধ্যায়না এম এল এ অমসুং এম পিশিং চেন্নবা কেস ১৩,৫০০ পন্দুনা লৈরে হায়না পীটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা সুপ্রীম কোর্টনা সেন্টরদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কবা খঙহনখি। সেন্টরনা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিট অমনা হায়খি, হায় কোর্টশিংনা স্পেসল কোর্ট ১২ লীংখৎনবা নোটিফিকেসন থোকখিবা মরম্না হায়রিবা কোর্টশিং অদু অথুবা মতমদা থবক হৌরগনি। থৌরাং অসি পায়খৎনবগীদমক সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৭.৮০ কাইথবা লৈখ্রে।

এম পি ২২৮ গী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা কেস হিয়রিং চথনবগীদমক দিল্লিদা স্পেসল কোর্ট অনী লীংখৎকদৌরি। অতৈ ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট ১০ অদু লীংখৎকদবা ষ্টেটশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার, কর্নাটকা, কেরলা, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, টামিল নাদু, টেলেঙ্গনা, উত্তর প্রদেশ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনি।

অমরোমদা, এয়রসেল-মেক্সিস দীল য়াওনা ২-জি স্কেমগা মরী লৈনবা কেস পূম্নমক থা তরুক্কী মনুংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা লোইশিন্নবা সুপ্রীম কোর্টনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা খঙহনখ্রে। জষ্টিস অরুন মিশ্রা অমসুং জষ্টিস নবিন সিনহাগী বেঞ্চনা হায়খি, ২-জি স্কেমগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসন করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদু চয়োল অনীগী মনুংদা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি। য়াম্না মরুওইবা কেস অসি মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবা মথৌ তাই। করি মরমগী ইনভেষ্টিগেসন চথবদা মতম শাংনা চঙলিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি। এটোর্নি জেনরেলনা সুপ্রীম কোর্টতা হায়খি মদুদি চার্জ সীট ফাইল তৌখ্রবা মলেসিয়াগী বিজনেসমেন অনন্ত কৃষ্ণননা এয়রসেল-মেক্সিসকী কেসতা মপূং ফানা কোওপরেসন পীরক্তবা মরম্না ইনভেষ্টিগেসন চথবদা মতম চঙবনি।



পাইলসকী ওজা কবিরাজ হব্দুল হক-পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐহাক মতম শাংনা পাইলসনা নাবদগী খ্বাঙ নাবা, গ্যেষ্ট্রিক লৈবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা য়াম্না থুপ্পা শাবা, শৌজদা হাক্কৎচবা, কক্-কক্ থিনবা, শৌজ মনুংদগী মচুম তাবা, মনম নমথিবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিবা ফাওবা চঙউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লৈবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক** Contact No. ☎ **9385214747** কী মনাক্তা চত্তুনা ওজাগী হিদাক চাজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিদা অৱাবা, নুংঙাইতবা পুম্নমক কোক্লে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাইলসকী প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা তান্নবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনিংই।

*থাগৎচরিবা :* **KH. JUGINDRO SINGH**
***Thangmeiband Awang***
HL-P/733/13

NOTICE

It is hereby notified to all the General Public that **Nawa Shindamkon, Changangei Makha Leikai, Imphal West** will be register under the provision of MSR Act 1989. In this regard, anybody those are willing to claim/objection, it may fail as some within 5 (Five) days from this publication. Further, any claim/ objection are not entertained.

***Sd/- SECRETARY***
**Nawa Shindamkon, Changangei**
HL-P/738/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

***Ref:- Mut. Case No. 116/SDC/Bishnupur, 2018***

Keisham Shama Devi W/o (L) Yaima Singh of Bishnupur Awang.
*-Petitioner*

-Vrs-

Keisham Yaima Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Bishnupur Awang.
*-O.P.*

**NOTICE**

Bishnupur, the 12/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Keisham Yaima Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Bishnupur Awang দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 38/659 (অরিবা)। 38, 472/ 1895 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 2202 গী একর 2.34 খুল নং 38 বিষ্ণুপুর খাগী ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector: Bishnupur**
HL-P/741/13

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER FOR THE ELECTION OF BOARD OF DIRECTOR OF THE WOMEN CO-OP WEAVING SOCIETY LTD. LUXMI BAZAR**

MASJID ROAD, IMPHAL

**CORRIGENDUM**

**No.-3/Election/W-Coop/W/2018:** Corrigendum may be made on the notification of the Programme of Election are published as followed, the Sl. No. 3 of notification (dt. 8th March 2018) for election as rescheduled on dated 19/03/2018 at 10:00 a.m. to 12:00 noon instead of dated 18/03/2018 at 1:00 p.m. to 4:00 p.m. (scrutiny due to Meetei Cheiraoba Ceremony which is a State Holiday).

The notification which was made earlier will be remain unchange. The error is regretted.

***Sd/- Y. INAOBI***
***R.O.***
Election for the Board of Director of the Women Co-operative Weaving Society Ltd.
HL-P/742/13

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম:



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায় পুম্নমকপু কোনবিরম্বা **লাইশ্রম ৺তোমচৌ সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১১/০৩/২০১৮ ইং, লমতাগী ২৪ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ মদন মোহোন চৈতন্য দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। লাক্লিবা তাং ১৬/০৩/২০১৮ ইং, লমতাগী ২৯ নি পানবা, ইরাই নুমিৎতা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৪/০৩/২০১৮ ইং, শজিবুগী ৭ নি পানবা, থাংজ নুমিৎতা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌড়চন্দ্র প্রভুগী চরন্দা কৎচগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবগা তিন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

*পাউজেঞ্জরিবা :*-**লাইশ্রম রিশিকান্ত (বোফে) সিংহ (মচানিপা)**
*অমদি ইমুং-মনুংশিং।*
***ললাম্বুং মখোঙ রিমস রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট।***
HL-P/745/13-16Mar

মহমদ রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



Zomi Villa Gate, North A.O.C. Awang B.O.C. Traffic Mamang, Minuthong Road তা লৈবা Contact Nos. ☎ **9862264404, 8974333795,** Cairopathic Treatment গী ওজা **Mohd. Riyajuddin** বু থাগৎচরি। ঐহাক মতম শাঙনা দাইবেটিস অমদি পাইলসনা নাদুনা ৱানা খাঙদুনা লৈরক্লবনি। অদুবু ঐখোয়গী ওজা অসিগা তানবদগী হৌজিক্তি মপুনা থৌজালবিদুনা য়াম্না নুংঙাইজরে। ওজা ইবুংঙোবু মপুগী মীংদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

*থাগৎচরিবা :* **MR. OLENDRO**
***Singjamei Leishangthem Leikai***
***# 9862946251***
HL-P/550/13

SAINIK SCHOOL IMPHAL
WALK-IN-INTERVIEW
APPIONTMENT OF STAFF ON CONTRACTUAL BASIS

1. 01 TGT (Phy)
**Eligibility** : B.Sc (Phy) with BEd and CTET/TET qualified & should have teaching experience, MSc (Phy) preferred.
Age : **21 - 35 yrs**
Salary : Rs. 17,250/- pm (consolidated)
2. Date / Time : **19 Mar 2018 at 1030h.**
3. Venue : **Sainik School Imphal**
4. NO TA / DA will be admissible. Eligible and interested candidates may attend the Walk-in-Interview along with relevant certificates and testimonials. The school reserves the right to cancel the vacancy due to administrative reasons.
HL-P/740/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 271/SDC/IW(P) of 2018***

Shri Kangjam Ibomcha Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Sagolband Khamnam Leirak.
*-Petitioner*

-Vrs-

Late Kangjam Ibotombi Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khamnam Leirak.
*-Deceased Pattadar*

**NOTICE**

12/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নম্বর ৩৫০ (অরিবা), ৪৩০ (অনৌবা), দাগ নম্বর ২৯৭ কী পোইন্ট ০.১২৫ একর চাওবা ইখ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২২/০৩/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi
HL-P/743/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 270/SDC/IW(P) of 2018***

Okram Basantakumar Singh S/o (L) Kullachandra Singh of Lamjaotongba.
*-Petitioner*

-Vrs-

Late Okram Kullachandra Singh S/o (L) Yaima Singh of Lamjaotongba.
*-Deceased Pattadar*

**NOTICE**

9/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুন নং ৮৩-লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ৩২ (অরিবা), ৯৮/১১০৭ (অনৌবা) গী দাগ নং ৩৭/১৩১০ গী এরিয়া ০.২৭ একর চাওবা ইখ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না মহাক্কী মমীংদা নমা পানজরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৭/০৩/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi
HL-P/743/13

অমাঙথোং ময়াদা পোমথোরকপা, অমাঙথোং মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা অকনবা ওইনা হাম্বা অমদি অমাঙথোংদা চেকখায়রগা ঈ কাপথোরকপা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং ময়াদা পোমথোরকপা, অমাঙথোং মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা অকনবা ওইনা হাম্বা অমদি অমাঙথোংদা চেকখায়রগা ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপদা কপ্লাক মরি নাবা অমসুং কোক ঙাওবা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাং নোংম-নোংমগী পাঙ্গল শোঞ্জিল্লকপা, পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, চকখাও শোকপা, থবাক নাবা, ঙকশম মরি অমদি খ্বাঙ, য়াঙলেন নাবা, তাং তাং চিকপা, ফম্বী শোনবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবা:* **L. NINGTHEM**
*Wangjing*
HL-P/630/13